পি ঐচ দি, মাষ্টর্স দিগ্রি লৌবগী মথৌ তাদে : এদ্যুকেসন মিনিষ্টর

কাবুল, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

মমাং থাগী ময়াই চল্লকপদা অফঘানিষ্টানগী কোনুং কাবুল টালিবানশিংনা মপুং ফানা কন্ত্রোল তৌখ্রবা মতুং মীয়াম্না পাম্বা অনৌবা লৈঙাক অমা শেম্লগনি হায়না টালিবান লুচিংবা কয়ানা ফোঙদোকখ্রবসু মমাং মতমদা লৈরম্বা অকিবা ফংলবা টালিবান লৈঙাক অদু অমুক হল্লক্কদ্রা হায়বগী অকিবা হৌজিকসু লৈরি। ঙরাং অফঘানিষ্টানদা নৌনা শেমখ্রবা টালিবান গভর্ণমেন্টতা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ওইনা খনখ্রবা সৈখ মোলভি নুরুল্লা মুনিরনা লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীওইশিংনা পি ঐচ দি নৎত্রগা মাষ্টর্স দিগ্রি লৌবগী মথৌ তাদে। অফঘানিষ্টানদা হৌজিক পৱার পায়রকখ্রবা টালিবানগী লুচিংবা কয়া মাষ্টর্স নৎত্রগা পি ঐচ দি তৌরকখিবা লৈতে হায়না ফোঙদোকখি।

এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম অসিনা মরম ওইরগা মালেমগী লৈবাকশিংনসু অফঘানিষ্টানদা কুমজা ১৯৯৬ তগী ২০০১ ফাওবা লৈখিবা টালিবানগী অকিবা ফংলবা লৈবাক অদু অমুক হন্না লাক্কদ্রা হায়বগী চিংনরি। অদুমওইনমক টালিবান লুচিংবা খরনদি লৈবাক অদুদা লৈরিবা মীয়ামগী হক মৎপা য়াবা থবক তৌরোই। মালেমগী মীয়াম্না য়াবা অনৌবা টালিবানগী লৈঙাক অমা শেম্নবা হোৎনগনি হায়না হৌজিকসু মখা তানা ফোঙদোকখি। টালিবানগী নৌনা শেমখ্রবা ইন্টরিম গভর্ণমেন্ট অদুগী এক্টিং প্রাইম মিনিষ্টর মুলা মহমদ হাসননা লুচিংবা লৈঙাক অদুদা য়ু এসনা মমিং লৈবা টেররিষ্ট অমা ওইনা লাউথোকখ্রবা সিরাজ উদ্দিন হকানিনা ইন্টরিয়র মিনিষ্টর ওইনা থৌ পুগদৌরি। কেবিনেট মেম্বর ৩৩ লৈবা অনৌবা ইন্টরিম গভর্ণমেন্ট অসিদা নুপী মেম্বর অমত্তা য়াওদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা নুপীশিংগী হকপু হান্নগুম্না নমথদুনা থমগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহং কয়া হংনরক্লি। অমরোমদা য়ু এনগী পর্মিনেন্ট রিপ্রজেন্টেটিভসু ওইরিবা অফঘানগী এম্বেসেদর গুলাম ইসক জাইনা ফোঙদোকখিবদা টালিবাননা নৌনা শেমখ্রবা লৈঙাক অসিনা মীয়ামগী য়াইফনবা থবক পায়খৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈতে। মীয়াম মমাংদা টালিবাননা উৎ চাইনবা হোৎনবনি হায়রি।

মেক্সিকোদা মেগনিচুদ ৭.১ য়ৌনা য়ুহা হাখ্রে, মীওই ১ শিরে

মেক্সিকো সিটি, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

মেক্সিকোদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম মেগনিচুদ ৭.১ য়ৌনা হাখিবা অকনবা য়ুহা অমনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা লৈবা বিল্ডিং কয়া নিকহনখিবগা লোয়নননা মীওই ১ শিহনখ্রে হায়না লোকেল ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা নেসনল সিস্মোলোজিকেল সর্ভিসনা ফোঙদোরকখিবদা গুরেরো ষ্টেটকী মনুং চনবা একাপুলকোদগী খা নোংচুপ থংবা শরুক্তা কিলোমিটর ১১ রোম চৎলগা য়ুহা অদুগী ইপিসেন্টের ওইখি। অকনবা মওংদা হাখিবা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা নকলদা য়ুংবা লেম্প পোষ্ট অমা তেক্লুনা তাশিল্লকপগী থৌদোক্তা মীওই ১ শিখিবনি।

য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুদা কা হেন্না অমাঙ অতা থোকহনবগী পাউদি হৌজিক ফাওবগী ওইনা লৈত্রি হায়না গুরেরো ষ্টেট গভর্ণর হেক্টর ওষ্টুদিলোনা ফোঙদোরক্লি। মহাক্না মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা মেগিনিচুদ ৭.১ য়ৌনা হাখিবা য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা লম্বীগী নাকলদা খামদুনা লৈবা কারশিংগী মথক্তা পোষ্ট কয়া তেক্লুনা তুশিল্লকপদগী অমাঙ অতা খরদি থোকখি।

একাপুলকোদা লৈবা চর্চ অমসু য়ুহা অদুনা মরম ওইরগা নিংখাইহনখ্রে। থংন-থংননা হারকখিবা য়ুহা অদুনা য়াম্না চাওনা অমাঙ অতা থোকহন্দ্রবসু হোটেলদা লৈবা লম কোয়বা লাকখিবা মীওই কয়াদি হোটেলদগী চেম্থোরক্লুনা থৌদোক অদুবু অকিবা অমদি অঙকপগা লোয়নননা য়েংনখি।

মেক্সিকো সিটিদগী লাকখিবা টুরিষ্ট অমনা ফোঙদোকখিবদা মহাক্না লৈরিবা হোটেল অদুগী ইরুজফম কাদা ইরুজরিঙৈদা খঙহৌদনা বিল্ডিং অদু অকনবা মওংদা নিক্লকখি। মহাকসু পাখৎপগা লোয়নননা লাউখি। ইরুজরম্বা অদু লোয়শিন্দনা মনাক্তা য়ান্দুনা লৈরম্বা টাৱেল অমা শেৎলগা মহাক হোটেল অদুদগী য়াম্না ৱানা মপান্দা থোরকখি। অমরোমদা হৌজিক একাপুলকোগী মীয়াম্না মীপায়নরিবা অসি কা হেন্না কন্না নিকখিবা অদুনা মরম ওইরগা গ্যাস পাইপ লাইন কয়া লীক ওইরকখিবা অসিনি। মসিদা নত্তনা পুং খরদি ইলেক্ট্রিক্কী খুদোংচাবা লৈরোইদৌরি।

মেক্সিকান হোস্পিটাল অমা ঈশিং থুমজিনখিবগী থৌদোক্তা পেসেন্ট ১৭ শিরে : ওথোরিটি

মেক্সিকো সিটি, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

সেন্ত্রেল মেক্সিকোদা হোস্পিটাল অমদা খঙহৌদনা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী পৱার সপ্লাই অমদি ওক্সিজেন থেরাপিদা চাওনা চৈথেং পীরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা হোস্পিটাল অদুদা ট্রিটমেন্ট চত্থদুনা লৈরিবা পেসেন্ট ১৭ শিরে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

হোস্পিটাল অদু হিদালগু ষ্টেটকী মনুং চনবা টুলা টাউনদা লৈবনি। অকস্নবা নোংনা মরম ওইরগা টুলাটাউন ফাওদুনা চেল্লিবা তুরেল অদুগী ঈশিংগী ঈমায় খঙহেন হেনগৎলকখিবগা লোয়নননা হোস্পিটাল মনুংদা ঈশিং থুমজিনখিবনি। মেক্সিকান ইন্সটিট্যুট ওফ সোসল সিক্যুরিটিগী জেনরেল দিরেক্টর জো রোবলেদোনা ফোঙদোকখিবদা হোস্পিটালদা ট্রিটমেন্ট চত্থদুনা লৈরিবা মীওই ১৭ শিখিবা অসি য়াম্নমক লাইবকথিবনি। হোস্পিটাল অদুদা খঙহৌদনা ঈশিং থুমজিল্লকপদগী ইলেক্ট্রিকী খুদোংচাবা মাঙখিবগা লোয়নননা ওক্সিজেনগী ট্রিটমেন্ট চত্থরিবা পেসেন্টশিংদা চাওনা চৈথেং পীখিবনি। হোস্পিটাল অদুদা লৈরম্বা পেসেন্ট ৫৬ তি তেক্তা কায়দনা অতোপ্পা হোস্পিটালদা রিফর তৌখি।

ঙরাংগী থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবা পেসেন্ট অয়াম্বা কোভিদ-১৯ নারবা ঙাক্তনি। ওক্সিজেনগী মথৌ তারিবা পেসেন্টশিং অদু খুদক্কী ওইবা ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা অয়েৎপা পীরকপদগী ওক্সিজেন মপুং ফানা পীবা ঙমখিদবনা লাইবকথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি। হোস্পিটাল অদুদা লাইবকথিবা থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং গভর্ণমেন্টনা মিলিটরি অমসুং ৱাটর এন্দ ইলেক্ট্রিসিটি এন্দ বোর্দ ৱার্করশিং থাজিন্দুনা পায়খৎপা য়াবা থবকশিং পায়খৎনবা খঙহনখ্রে। অমরোমদা মেক্সিকো সিটিগী মফম অমদা থোকখিবা ঈচাওনা মরম ওইরগা অতোপ্পা মীওই ২ অমসু শিহনখ্রে হায়রি।

ইজরেল ফোর্সকী মায়োক্তা লেপ্নবা ৱাশকখ্রে

ৱেষ্ট বেঙ্ক, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

ওকুপাইদ ৱেষ্ট বেঙ্কতা লৈরিবা জেনিন রেফ্যুজি কেম্পতা করিগুম্বা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা চঙশিল্লক্লুনা থি হুন্দ্বগী থবক চত্থরক্লবদি মখোয়গী ময়োক্তা চপ চানা লেপকনি হায়না পেলিষ্টিনিয়ন ইস্লামিক জিহাদ গ্রুপকী মেম্বরশিংনা ফোঙদোকখ্রে।

য়াম্না চেকশিনবা ইজরেলি জেল অমদগী পেলিষ্টিনিয়ন ফাদোক ৬ নাম্থোকখিবগী মতুং ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মীওই ৬ অদুবু থিবগী থবক অকনবা মওংদা চত্থখি। জেনিনগী মনাক নক্লা লৈবা পেলিষ্টিনিয়ন টাউন য়াবাদতা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ইজরেল লান্মীশিংনা ত্রেন তৌরবা হুই কয়া শীজিন্নদুনা নাম্থোকখিবা মীওইশিং অদুবু থিবগী থবক চত্থরি। ইজরেলি লান্মীশিংনদি জেলদগী নাম্থোক্লুনা চেনখ্রবা মীওই ৬ অদু জেনিন রেফ্যুজি কেম্পতা চঙশিন্দুনা লোৎলম্বা য়াই হায়না চিংনরি। পনবা য়াবদি ৱেষ্ট বেঙ্ক অমসুং ইজরেলগা তাইনবা শরুকশিংদা চেক পোইন্ট কয়া শেমদুনা থম্নরক্লি। খুৎলাই পায়বা পেলিষ্টিনিয়নশিংনা ইজরেল ওথোরিটিশিংদা এটেক চত্থরকপা য়াবগী চিংনবসু লৈ হায়রি।

জেল মৈ চাকপগী থৌদোক্তা ফাদোক ৪১ শিখ্রে : ওফিসল

জকার্টা, সেপ্তেম্বর ০৮ (এজেন্সী) :

ইন্দোনেসিয়াদা লৈবা জেল অমা খঙহৌদনা ঙসি অয়ুক অঙনবদা মৈ চাল্লকপগী থৌদোক্তা জেল অদুদা লৈবা ফাদোক ৪১ শিখিবগা লোয়নননা কয়া অমনা অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অদু ঙসি অয়ুক পুং ৩ লোম তারকপা মতমদা থোকখিবনি। মৈনা চাকখ্রবা জেল অদুদা মরু ওইনা দ্রগ কেসকা মরী লৈনবা ফাদোক কয়া লৈরি। জেলগী ফাদোকশিং অদুনা তুম্লিঙৈ মতমদা চাল্লকখিবা ওইবনা কা হেন্না মীশি মীনাগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।

জকার্টা পুলিস চীফ ফাদিল ইম্রাননা থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা মৈ চাকপগী পাউ অদু হেক ফংবগা ফাইটরশিংনা খুদক্তা জেলগী বিল্ডিং অদুবু চাল্লিবা মৈ অদুবু মুথৎনবা হোৎনখি। অদুমওইনমক খঙহৌদনা চাল্লকখিবা ওইবনা জেলগী ফাদোকশিং অদুবু কন্নবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লখি। ফায়র ফাইটরশিংনা মৈ অদুবু কন্ত্রোল তৌবা ঙমখ্রবা মতুং বিল্ডিং অদুদা চঙশিন্দুনা য়েংলুবদা ফাদোক ৪১ শিরম্বা থেংনখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই ৮ গী ফীভমদি হৌজিকসু অরুবা ফীভমদা লৈ হায়রি।

IN THE COURT OF ASST. SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III, MANIPUR

Ref. Mutation Case No. 178/AS & SO III **Date 7-9-2021**

Smt. Saitlangmoi W/o Late Darliensung Rolland of New Checkon
- Petitioner

-Vrs-

Late Darliensung S/o (Late) Hoya of Maring Lang New Checkon
- O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Imphal, 8-9-2021

Under Section 46(3) MLR and LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না খঙহল্লি মদুদি খুল নং 26 (A)-Nongpok Ingkhol পাট্টা নং ১৪২৪ (1424) অরিবা ২৭১ (271) অনৌবা দাগ নং ৪৪৫৯ (4459) এরিয়া .০১৩৭ (.0137) একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার নং Darliensung মৃতু ওইখ্রে। মথক্তা পল্লিবা দংকারি অসিগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়না উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা মৃ: পাট্টাদারগী মচা, মশুশিং, মরী-মতাশিং অমসুং ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎপীনিংবা লৈরবদি লাক্লিবা তাং 16-9-2021 ইং, ফাওবগী মনুংদা উক্তা কোর্ট অসিদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারগদবনি। করিগুম্বা মথক্তা হায়রিবা তারিখ অসিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থরগনি। মতুংদা লাকপা আপতি কোর্ট অসিনা লৌররোই।

Sd/- **Asst. Survey & Settlement Officer, III-Manipur**

HL-P/6992/9

IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, NAMBOL

Ref. Mutation Case No. 151/SDC/NBL of 2021

Naorem Punshiba Mangang S/o (L) Tomba Meitei
of Naorem Mayai Leikai
... Petitioner

-Vs-

(Late) Naorem Ibema Devi W/o (L) Tomba Singh
of Naorem Mayai Leikai
... O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 8-9-21

Under Section 46(3) MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি Village No. 23-Maibam, Patta No. 164 (Old) 349/1621 (New) Dag No. 313/3029 an area of O.62 acres of Phourel Class হায়রিবা লৌফম অসিগী পাট্টাদার মৃতু ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃতু পাট্টাদার মমিং কল্লগা দংকারিনা মাগী মমিংদা নামা পানবীরো হায়দুনা উক্তা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়েৎনিংবা (Objection) লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিত্তগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নি ফাওবগী মনুংদা কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লুনা য়েৎপীরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা ৱাকৎ কোর্ট অসিনা লৌররোই। কোর্টকী হৌনবী মতুং ইন্না কেস মখা চত্থখ্রগনি।

Sd/- Sub-Deputy Collector,
Nambol

HL-P/6989/9

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III

Ref: Mutation Case No. 20-A/AS&SO-III/2021

Nameirakpam Sonalica W/o Moirangthem Bordin Singh of Sangaiprou Mamang Leikai. -Petitioner

-Vs-

Late Akoijam (N) Nameirakpam (O) Shakhipiyari Devi W/o Biren Singh of Wangkhei Lourembam Leikai at present Moreh Ward No. 7

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 8/9/2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুল নং 95-Moreh গী পাট্টা অরিবা নং. ... অনৌবা পাট্টা নং 794 দাগ নং 7 এরিয়া .0280 চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি পিটিস্নরনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer, III, Manipur

HL-P/6991/9

IN THE COURT OF ASSISTANT SURVEY & SETTLEMENT OFFICER, III

Ref: Mutation Case No. 21-A/AS&SO-III/2021

1. Laiphrakpam Sachi Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Uripok Khumanthem Leikai.
2. -do- Sunil Singh S/o (L) -do- of -do- -Petitioners

-Vs-

Late Laiphrakpam Sanjoy Singh S/o (L) Ibomcha Singh of Uripok Khumanthem Leikai. -O.P.

ꯈꯪꯍꯟꯕ / **NOTICE**

Dt. 8/9/2021

Under Section-46(3) of MLR & LR Act 1960 গী মতুংইন্না খঙহঞ্জরি। মদুদি খুল নং 91(A) Lamphelpat কী পাট্টা অরিবা নং. ... অনৌবা পাট্টা নং 1211 দাগ নং 2116/2264 এরিয়া .0192 চাওবা ইঙ্খোলগী লম অসি পিটিস্নরনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিং কল্লগা নামা ওনশিনবীয়ু হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মসিদা ইঙ্খোলগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা য়ানিংদবা য়াওরবদি পাউচে ফোঙবা নুমীৎতগী পারগা নুমীৎ ৭ (তরেৎ)নিগী মনুংদা অইবা চেনা ওবজেক্সন তৌরবা য়াগনি। নৎত্রবদি য়ারে হায়না লৌদুনা নামা ওনখ্রগনি। তুংদা লাকপা ওবজেক্সন কোর্ট অসিনা অমুক তাররোই।

Sd/- Assistant Survey & Settlement Officer, III, Manipur

HL-P/6991/9

GOVERNMENT OF MANIPUR

OFFICE OF THE PRINCIPAL, D.M. COLLEGE OF ARTS, IMPHAL

DHANAMANJURI UNIVERSITY, MANIPUR

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯈꯪꯍꯟꯕ / **ADMISSION NOTICE**

08th September, 2021

No. 16/2/Cmt/2018-DMCA : It is to notify for general information that a list of students who have applied for admission in BA 1st Semester Honours and Regular/General Courses in different subjects have been uploaded on the college website www.dmcarts.ac.in showing Application No., Name of the Applicant, Category and Total marks Secured by each applicant in Class XII Examination as Annexure-I, II & III.

All the applicants are, therefore, informed to check the total marks given against their name/s by entering to the college website and a written complaint with supporting documents in hard copy (Mark sheets of Class X & XII Examinations) may be submitted to the college during the time period given below, if any applicant found any error in the total marks shown against the name.

Day	Time	Venue
9/9/2021	10.00 a.m. to 3.30 p.m.	COC, DMCA, Imphal
10/9/2021	12.30 p.m. to 4.00 p.m.	Do

Any complaint after the last date shall not be entertained.

Sd/- Dr. Ch. Sheelaramani
Principal, D.M. College of Arts, Imphal

HL-L/6993/9 Sept.

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯅꯐꯝ /NOTIFICATION

Imphal, the 8th September, 2021

No.2/25/96-HSC: It is, hereby, informed to all the concerned that the Higher Secondary Improvement Examination, 2021 will be held as per the programme shown below:

PROGRAMME

Time : - For Papers of 100/70 Marks - 3 Hours
- For Papers of 40 Marks - 2 Hours

Date/Day	MORNING	EVENING
	(From 10:00 a.m. to 1:00 p.m.)	
20-09-2021 Monday	Chemistry/History/Economics	x
21-09-2021 Tuesday	English/Political Science /Statistics/Accountancy	x
22-09-2021 Wednesday	Physics/Sociology/Business Studies /Geography/Home Science	x
23-09-2021 Thursday	*M.I.L.*(Bengali / Hindi / Hmar / Kom / Manipuri / Mao La/ Mizo / Nepali / Paite / Ruangmei / Tangkhul / Thadou Kuki / Vaiphei / Zou / Gangte / Liangmai) ***Or*** Alternative English	x
24-09-2021 Friday	Biology/Education/Music	x
25-09-2021 Saturday	Mathematics	x
27-09-2021 Monday	Computer Science/ Philosophy	x
28-09-2021 Tuesday	Anthropology	x
29-09-2021 Wednesday	***Elective Languages*** (Bengali/English/Hindi/Manipuri) /Biotechnology	x
01-10-2021 Friday	Engineering Drawing /Psychology	x
04-10-2021 Monday	Geology	x
05/10/2021 Tuesday	Thang-Ta / Physical, Health Education & Sports	x

The centre/venue of the said examination will be notified very shortly.

Sd/- Ch. Biren Singh
Secretary,
Council of Hr. Sec. Edn
Manipur

HL-B/7141/9 Sept.

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯍꯥꯡꯗꯣꯛꯂꯦ

**** ADMISSIONS OPEN ****
FOR THE ACADEMIC YEAR 2021-22.
HURRY UP BOOK YOUR SEAT NOW !
STUDY IN BANGALORE BEST COLLEGES .
COURSES OFFERED:

MBBS B.PHARM BE BCA BSc NURSING
BDS M.PHARM MBA BBA BSc, MSc NUTRI
BAMS PHARMA.D MCA BCOM PBBSc NURSING
BHMS D.PHARM BHM MCOM MSc NURSING
BMLT BPT, MPT GNM LLB M.TECH..etc.

CONTACT US : 9362331862, 8310788408.
OFFICE at Sagolband Meino Leirak, Imphal.

HL-P/3873/20 Aug. to 18 Sept

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯍꯥꯡꯗꯣꯛꯂꯦ

ADMISSION OPEN

FOR THE FOLLOWING COURSES
1. RHYMES TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRE-PRIMARY & PRIMARY PRIVATE SCHOOLS
2. MONTESSORI TEACHERS' TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOLS
3. RHYMES & CHILD DEVELOPMENT TRAINING COURSE FOR PRIVATE SCHOOL TEACHERS & YOUNG MOTHERS
4. ENGLISH GRAMMAR & SPOKEN ENGLISH COURSE FOR ALL
5. COMPUTER COURSE (MS-Office)

**The above courses are job oriented courses for enterprising, independent young women & girls.

FOR DETAILS PLEASE CONTACT : 913857960715 / 8974642764
OR WRITE TO : phoenixrhymeschool@gmail.com

PHOENIX SCHOOL OF TEACHERS TRAINING
KHWAI BRAHMAPUR NAGAMAPAL, IMPHAL

HL-B/7118/1/9-1/10

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯅꯐꯝ /NOTIFICATION

Imphal, the 8th September, 2021.

No.1/2/92-HSC(Vol-V)(Pt.): This is to notify for general information to all the candidates who have submitted duly filled in prescribed application forms for appointment of different categories of posts of the Council of Higher Secondary Education, Manipur that the Written Examination will be held on 26th September, 2021 (Sunday) at the following centres:

Sl. No.	Examination Centre	Name of Posts	Candidates Allotted		Date & Time
			Roll No.	Total	
1.	Johnstone Hr. Sec. School, Imphal	Lower Division Assistant	01-209	209	26-09-2021 (9:00 a.m. to 11:00 a.m.)
		Data Assistant	01-48	48	
		Driver	01	01	
2.	T.G. Hr. Sec. School, Imphal	Lower Division Assistant	210-351 (excluding 241 &337)	140	
		Grade-IV	01-127	127	
3	C.C. Hr. Sec. School, Imphal	Assistant Programmer (IT)	01-43 (excluding 27)	42	
		Grade-IV	128-336 (excluding 216 & 235)	207	

2. Further, the Written Examination for the Special Recruitment only for ST candidates will also be held on 26th September, 2021 (Sunday) at the following centre:

Sl. No.	Examination Centre	Name of Posts	Candidates Allotted		Date & Time
			Roll No.	Total	
1.	Johnstone Hr. Sec. School, Imphal	Lower Division Assistant	01-59 (excluding 39)	58	26-09-2021 (12:30 p.m. to 2:30 p.m.)
		Grade-IV	01-24	24	

3. All the candidates in respect of para 1 above should report to their respective examination centres at 8:45 a.m. and no candidates shall be allowed to enter Examination Hall after 9:00 a.m. And in respect of para 2 above, all the candidates should report to their respective examination centres at 12:15 p.m. and no candidates shall be allowed to enter Examination Hall after 12:30 p.m. They shall bring their own blue/black ink ball pens. They are permitted to carry pocket hand sanitizer (50 ml), mask, hand gloves, transparent water bottle, admit card. They shall maintain Covid Appropriate Behaviour in the examination hall/room.

Sd/-A. SUKUMAR SINGH
Controller of Examinations/ Co-ordinator
Council of Hr. Sec. Edn., Manipur

HL-B/7141/9 Sept.